# মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা নৌনা থিগৎনবা ৱাকৎলকপদা সুপ্রীম কোর্টনা অয়াবা পীখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):

মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা নৌনা ইনভেষ্টিগেসন চথহনগদবনি হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পীটিসন অমা সুপ্রীম কোর্টনা লৌখিদ্রে। মুম্বাইদা লৈবা অভিনাব ভারতকী পঙ্কাজ ফদনিসনা থাঙ্গৎলকখিবা পীটিসন অমা জষ্টিস এস এ বোবদে অমসুং জষ্টিস এল নাগেশ্বর রাওগী বেঞ্চনা রিজেক্ট তৌখিবনি।

এপেক্স কোর্টনা হায়খি, পূক্নিং ইথিলনা হুন্নগা থবক তৌবগী মহুৎতা লোগী ওইবা মীৎয়েংদগী মতিক চাবা থবক পায়খৎনবা হোৎনগনি। একাদেমিক রিছর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী কেস নৌনা থিগৎপীনবা হায়জরকখিবনি। অদুবু চহী কয়াগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক ওইবনা হীরম অসিদা নৌনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা খুদোংচারোই।

মহাত্মা গান্ধীদা নোংমৈ মরূ অহুম পানখিবগী মতাংদা নাথুরাম গোদসে অমসুং নরায়ন আপতেবু থৌরি য়ান্দুনা হাৎখিবা তারবসু থৌদোক অদুদা অতোপ্পা মীওই অমা চেন্নব্রা হায়বদু নৌনা অমুক থিগৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

অভিনাব ভারত কৌবা চেরিটেবল ট্রষ্ট অমগী ট্রষ্টি ওইরিবা ফদনিসনা হায়খি মদুদি কুমজা ১৯৬৯ দা কাপুর কম্মিসননা বিনায়ক দামোদর সবার্করগী মায়োক্তা পীখিবা ৱারোল অদু মপূং ফাবা ৱাৎলি। মরম অদুনা ইনক্বাইরি কম্মিসন অমা শেন্নগা মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা নৌনা অমুক থিগৎপা মথৌ তাই।

ফদনিসনা থাঙ্গৎলকখিবা পীটিসন অদুনা হায়খি মদুদি মপূং ফাবা ট্রায়েল চথদনা মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবদা চেন্নে হায়বগীদমক নাথুরাম গোদসে অমসুং নরায়ন আপতে থৌরি য়ান্দুনা হাৎখিবগী থৌওং অদু মরম চাবা ৱাৎলি।

পনবা য়াবদি কুমজা ১৮৪৮ গী জন্যুৱারি ৩০ দা গান্ধীবু ন্যু দিল্লিদা গোদসেনা অনকপা মফমদগী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা চহী অদুমক্কী নবেম্বর ১৫ দা গোদসে অমসুং আপতে থৌরি য়াল্লগা হাৎখি। মতিক চাবা খুদম ফংদে হায়বগীদমক সবার্করদি শিবগী চৈরাক পীখিদে।

পনবা য়াবদি, মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৬ তা পঙ্কাজ ফদনিসনা মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা নৌনা অমুক থিগৎপীনবা পীটিসন ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা জষ্টিস এস এ বোবদে অমসুং জষ্টিস এল নাগেশ্বর রাওগী বেঞ্চনা চহী কয়ামরুমগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক ওইবনা হীরম অসিগী মতাংদা নৌনা ইনভেষ্টিগেসন চথবগী থোইদোক্লা কান্নবা লৈররোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ফদনিসনা ফাইল তৌখিবা পীটিসননা হায়খি মদুদি পুৱারীদা অচুম্বা লোৎশিন্নবা হোৎনবগী মতাংদা খ্বাইদগী ময়েক লারবা খুদম অমা ওইরিবা মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী থৌদোক অসিদা মপান লৈবাক্কী মীওই খরা শোয়দনা চেন্নরম্বা য়াবগী ওইথোকপা য়াবা মরম লৈ।

গান্ধী হাৎখিবা মতম অদুদা য়ু এস এম্বেসিদগী থারকখিবা টেলিগ্রামশিংগী মরক্তা হৌজিকসু টেলিগ্রাম অমদি মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবা তৌদ্রি। মরম অদুনা গান্ধী হাৎখিবদা গোদসে নত্তবা অতোপ্পা মীওই অমসু য়াওখিব্রা হায়বদু চপ চানা খঙদোকপা তঙাইফদে। গান্ধী হাৎখিবগী থৌদোক অদু হরবর্ট তোম রিনর কৌবা ডিসবর্সিং ওফিসর অমগী মীৎমাঙমক্তদা থোকখিবনি হায়রি।

# থাজদবগী মোসন খন্নখিদ্রে এপ্রিল ২ ফাওবা মীফম য়ৈথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):

ওপোজিসননা চরাংনবা থোক-হল্লকখিবগা লোয়ননা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মীফম নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে। স্পীকর সুমিত্রা মহাজননা হায়খি, মার্চ ৫ দগী চথবা হৌরকখিবা বজেট মীফমদা মরুওইবা ৱাফম অমত্তা খন্নবা ঙমদবা মরম্না হাউসকী মীফম নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা য়ৈথোকখি।

টেলুগু দেসম পার্টি (টি দি পি), ৱাই এস আর কোংগ্রেস, সী পি আই (এম) অমসুং কোংগ্রেসনা পুখৎলকপা থাজদবগী মোসন লোক সভাদা খন্নবা তৌখিদে। হৌখিবা নুমিৎ খরনি হাউস অনীমক মীফম হেক হৌবগা মরুওইবা ৱাফম অমত্তা খন্নবা ঙমদনা নোংমগী ওইনা মীফম য়ৈথোক্তুনা লাকখি।

টেলঙ্গনা রাষ্ট্রিয়া সমিটি (টি আর এস) অমসুং এ আই এ দি এম কেনচিংবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা কাভেরি তুরেলগী ঈশিং য়েন্নবা অমসুং পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক (পি এন বি) গী ৱাথোক্লচিংবা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা হাউসতা চরাংনবা থোক-হন্দুনা লাকখি। লৈঙাক পায়রিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি অমসুং ওপোজিসন কোংগ্রেসনা পার্লিয়া-মেন্টকী মীফমদা অপনবা থোকহনবা পামদে হায়না ফোঙদোকখ্রবসু নুমিৎ খূদিংগী হাউস অনীমক্তা ওপোজিস-ননা চরাংনবা থোকহন্দুনা লাকখি।

# পেরা মিলিটরি পর্সনেলশিং মতম শুদনা থবক্তগী পোথাবগী চাং ৱাংখৎলক্লে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):

মমাঙ চহীদা পেরা মিলিটরি পর্সনেল কয়ামরুম মতম শুদনা থবক্তগী পোথাখি হায়না লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে। জৱান মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থবক্তগী পোথাখিবা ফোর্সতি বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্সনি হায়রি।

কুমজা ২০১৫ দা বি এস এফকী পর্সনেল ৯০৯ মতম শুদনা থবক্তগী পোথাখি। মমাঙ চহীদদি ফোর্স অসিগী পর্সনেল ৬,৪১৫ ভলন্টরি রিটায়রমেন্ট লৌখি। সী আর পি এফকী ওইনসু কুমজা ২০১৫ দা পর্সনেল ১,৩৭৬ থবক্তগী পোথাখি। মমাঙ চহীদদি ফোর্স অসিগী পর্সনেল ৫,১২৩ মতম শুদনা থবক্তগী পোথাখি।

থৌওং অসিমক ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস, সসস্ত্রা সিমা বল (এস এস বি), সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স অমদি অসাম রাইফলসতসু চপ মান্ননা থোকখি। কুমজা ২০১৫ দা আই টি বি পিগী পর্সনেল ৭৬ ভলন্টরি রিটায়রমেন্ট লৌখি। মমাঙ চহীদদি মতম শুদনা থবক্তগী পোথাখিবা পর্সনেল মশিং ৩০৫ য়ৌখি।

এস এস বিগী ওইনা কুমজা ২০১৫ দা পর্সনেল ১৮৩ অমসুং কুমজা ২০১৭ তা পর্সনেল ৫৪৮ থবক্তগী পোথাখি। সী আই এস এফকী ওইনা কুমজা ২০১৫ দা জৱান ৭৬৮ অমসুং কুমজা ২০১৭ তা জৱান ১,৫৬০ থবক্তগী পোথাখি। অসাম রাইফলসকী ওইনদি কুমজা ২০১৫ দা জৱান ১১৩ অমসুং কুমজা ২০১৭ তনা জৱান ৬৩৬ মতম শুদনা থবক্তগী পোথাখি।

হন্দক্তা হোম মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সেস-সী আর পি এফ, বি এস এফ, আই টি বি পি, এস এস বি, সী আই এস এফ অমসুং অসাম রাইফলসকী পর্সনেল ১৪,৫৮৭ কুমজা ২০১৭ তা থবক্তগী পোথাখ্রে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

কুমজা ২০১৫ দদি মতম শুদনা থবক্তগী পোথাখিবা পেরা মিলিটরি পর্সনেল ৩,৪৪২ নি। রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না লৈবাক্কী খ্বাইদগী চাওবা ফোর্স অনী - সী আর পি এফ অমসুং বি এস এফতা জৱান কয়ামরুম মশাগী মতম শুদনা থবক্তগী পোথাবা মশিং হেনগৎলক্লে হায়বা খঙলে। সী আর পি এফকী ওইনা কুমজা ২০১৫ দা গেজেটেদ ওফিসর ৩৫ থবক্তগী পোথাখি। মমাঙ চহীদদি ওফিসর ৫৯ ফম থাদোকখি।

# স্পেসল ষ্টেটস পীদবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা অন্ধ্র প্রদেশকী এম এল এশিং অমুবা বেজ থেৎখ্রে

অমরাবতি, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):

সেন্টরগী নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা লৈঙাকপু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদু অমসুং অতৈ এম এল এশিংনা ঙসি অমুবা বেজ থেৎতুনা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীফমদা শরুক য়াখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা কৌখিবা পার্টি পুন্নমক্কী ওইবা মীফম অমদা এম এল এশিং অমুবা বেজ থেৎনবগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌখি।

অমরোমদা চন্দ্রবাবু নাইদুনা টেলি কনফরেন্সকী খুথাংদা টেলুগু দেসম পার্টি (টি দি পি) গী এম পিশিংদা ৱা ঙাঙখ্রে। ষ্টেটকী মীয়াম্না তাল্লিবা ডিমান্দ ফংহন্নবগী মতাংদা লেপ্পা লৈতনা খোঙজং চঙশিনগনি। সেন্টর অমসুং বি জে পিনা মীয়ামগী ৱাকৎ তাবগী মহুৎতা য়ূম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া টি দি পিগী মথক্তা শীনবা হোৎনরে।

অন্ধ্র প্রদেশতা লৈঙাক পায়রিবা টি দি পি অমসুং ওপোজিসন ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা স্পেসল ষ্টেটসকী মতাংদা খোঙফম চেংনা লেপমিন্নরি। এসেমব্লিনা হীরম অসিগী মতাংদা হৌনবী মতুং ইন্না রিজোলুসন অমা লৌরবা মতুংদা সেন্টরদা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলবা য়াই হায়না থাজনরি। ষ্টেট এসেমব্লিনা পাস তৌরকপা রিজোলুসন খূদিংমক সেন্টরনা শোয়দনা ইনগদবনি হায়বা ৱাফম লৈতবনা হন্দক্কী মতাং অসিদা অন্ধ্র প্রদেশতা স্পেসল কেটিগরি ষ্টেটস পীবগী ৱাফম থবক্তা ওন্থোরক্তবা য়াই হায়না থাজনরি।




হৌজিক চথরিবা পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফম হেক লোইবগা পার্টিগী এম পি পুন্নমক ফম থাদোক্লগনি হায়না ৱাই এস আর কোংগ্রেস পার্টিনা লাউথোরকখ্রবা মতুংদা পোলিটিকেল পার্টি পুন্নমক্কী মীফম অমা পাঙথোকখিবনি। টি দি পিগী মেম্বরশিং লোক সভাগী ফম থাদোকপা মথৌ তাই হায়না ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা অন্ধ্র প্রদেশতা স্পেসল কেটিগরি ষ্টেটস পীবগী ৱাফম ওইথোক্লরোই হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক চপ মান্নবা মওংদা অতৈ অতোপ্পা খুদোংচাবা কয়ামরুম ষ্টেট অসিদা পীগনি হায়রি।

# নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা সুস্মা স্বরাজ জপান মায়কৈ পাংখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):*

*নুমিৎ হুম্নিগী জপান খোঙচৎতা ঙসি এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ দিল্লি থাদোকখ্রে। টোকিয়োদা লৈরিঙৈদা মহাক্না জপানিজ ফোরেন মিনিষ্টর টারো কোনোগা কো চেয়র ওইদুনা মাপনশুবা ইন্দিয়া-জপান ষ্ট্রেটেজিক ডাইলোগ পাঙথোক্কদৌরি।*

*এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন রবিশ কুমারনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, জপানগা থম্নবা মরী চেৎশিলহন্নবগী পান্দমদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ঙসি নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা জপান মায়কৈ পাংখিবগা লোয়ননা মাপনশুবা ইন্দিয়া-জপান ফোরেন মিনিষ্টর্স ষ্ট্রেটেজিক ডাইলোগতা শরুক য়ারুগনি। মীফম অদুদা লৈবাক অনীমক্কী কান্নগদবা ৱাফম কয়ামরুম কুপ্না খন্নবগা লোয়ননা হান্নদগী থম্নদুনা লাক্লিবা মরী অমুক্কা হেন্না চেৎশিলহন্নবা হোৎনগদৌরি।*

*কুমজা ২০১৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টোকিয়োদা চৎলুবদগী ইন্দিয়া অমসুং জপানগী মরী ফগৎলকপা লৈখ্রবনি। মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদসু জপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা বাইলেটরেল সম্মিট অমা য়াওনবগীদমক ইন্দিয়াদা লাক্লমখি।*

*খোঙচৎ অদুদা জপানগী তেংবাংগা লোয়ননা শাগদবা অহমেদবাদতগী মুম্বাই ফাওবা চেনগদবা বুল্লেট ট্রেনগী মতাংদা ৱাফম কয়া কুপ্না খন্নখি। ইন্দিয়াদা শেল খ্বাইদগী চাওনা থাদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা জপানসু অমা ওইরে। মরুওইনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট, মেন্যুফেকচরিং, ফাইনান্সিয়েল মার্কেট অমদি কেপাসিটি বিল্ডিংনচিংবদা জপাননা য়াল্লবা শেনফম অমা ইন্দিয়াদা থাদরক্লে হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্টনা ফোঙদোকখি।*

*কুমজা ২০১৬-১৭ তা ইন্দিয়া অমদি জপাননা দোলর বিলিয়ন ১৩.৬১ গী লল্লোন ইতিক তৌনখি। কুমজা ২০১৫-১৬ তদি লৈবাক অনীনা দোলর বিলিয়ন ১৪.৫১ গী লল্লোন ইতিক তৌনখিবনি। মমাঙ চহীগী এপ্রিল থাদগী হৌরগা ওগষ্ট ফাওবদা লৈবাক অনীনা দোলর বিলিয়ন ৬.১৮৩ গী লল্লোন ইতিক তৌনখি।*

*ইন্দো-পেসিফিক রিজনদা ইং-তপ্পা ফিভম লৈহন্নবগী মতাংদা হন্দক্তা নৌনা হিংগৎহনখিবা লূপ অমদা ইন্দিয়া অমদি জপান য়াওরি। হায়রিবা লূপ অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি ওষ্ট্রেলিয়াসু য়াওরিবনি।*

*চৈরকসিদা, হুথি রেবেলশিংনা সাউদি অরাবিয়াদা মিসাইল কাপশিন্দুনা এটেক চথখিবগী থৌওংবু ইন্দিয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন রবিশ কুমারনা হায়খি রিয়াধকী মীচম তাবা মফমদা হুথি রেবেলশিংনা মিসাইল কাপশিনখিবা য়ানিংদে।*

# আধার-পান লিঙ্ক তৌবগী অরোইবা মতম জুন ৩০ ফাওবা শাংদোকহল্লে : সী বি ডি টি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ডাইরেক্ট টেক্সেস (সী বি ডি টি) না আধার অমদি পান লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতম জুন ৩০ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে। হান্না মার্চ ৩১ দা অরোইবা মতম ওইরম্বদগী জুন ৩০ ফাওবা শাংদোকহন্নবগী মতাংদা টেক্স ডিপার্টমেন্টকী পোলিসি মেকিং বোদি অসিনা অনৌবা য়াথং অমা থোকখি।

য়াথং-চেরোল অদুনা হায়খি, কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ইনকম টেক্স রিটর্ন্স ফাইল তৌনবগীদমক পান অমদি আধার লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতম শাংদোকহল্লে। সুপ্রীম কোর্টনা হন্দক্তা আধার অমদি তোঙান তোঙানবা ৱেলফেয়র স্কীমশিং লিঙ্ক তৌহনবগী মতম শাংদোকহনখ্রবা মতুংদা সী বি ডি টিগী অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

হন্দক্তা সুপ্রীম কোর্টকী ৱায়েল অমনা হায়খি মদুদি জজ মঙানা শাবা কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অমনা বাইওমেট্রিক স্কীম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱায়েল পীদ্রিবা ফাওবা আধার অমদি ৱেলফেয়র স্কীমশিং লিঙ্ক তৌহনবগী মতম শাংদোকহনবা মথৌ তাই।

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা পর্মনেন্ট একাউন্ট নম্বর (পি এ এন) অমসুং বাইওমেট্রিক আই ডি (আধার) লিঙ্ক তৌহনবগী মতম শাংদোকপা হন্দক্লা মরিরক শুবনি। হৌজিক্তি ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌবদা আধার নম্বর য়াওদবা য়াররোই। অনৌবা পান লৌনবা হোৎনবদসু আধার য়াওদবা য়াররোই। ইনকম টেক্স এক্টকী সেক্সন ১৩৯ এ এ (২) গী মতুং ইন্না মমাঙ চহীগী জুলাই ১ ফাওবদা পান কার্দ লৌরবা অমসুং আধার লৌবা য়াররবা মীওই খূদিংমক্না মশাগী আধার নম্বর অদু টেক্স ওথোরিটিদা পীশিনগদবনি।

মার্চ ৫ ফাওবদা পান ক্রোর ১৬.৬৫ আধারগা লিঙ্ক তৌবা লৈখ্রে। মমাঙদা জুলাই ৩১, ওগষ্ট ৩১ অমসুং ডিসেম্বর ৩১ না আধার অমদি পান লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতমনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। অমরোমদা সুপ্রীম কোর্টনা আধার অমদি ৱেলফেয়র স্কীমশিং লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতম মার্চ ৩১ দগী হেন্না শাংদোকহনবগী মতাংদা ইন্টরিম ওর্দর অমা পীয়ু হায়বা য়াখিদ্রে।

মার্চ ১৩ দা এপেক্স কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমনা হায়খিবনি মদুদি বেঞ্চ একাউন্ট অমদি মোবাইল নম্বরশিং আধারগা লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতম শাংদোক্লে। অদুম ওইনমক তোঙান-তোঙানবা স্কীমশিং তঙাইফদনা আধারগা লিঙ্ক তৌহনগদবনি হায়না সুপ্রীম কোর্টনা ফোঙদোকখি। চীফ জষ্টিস দীপক মিশ্রানা লূচিংবা জজ মঙাগী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অমদা আধার অমসুং তোঙান-তোঙানবা ৱেলফেয়র স্কীমশিং লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতম শাংদোকপীনবা পীটিসন অমা ফাইল তৌরকখি।

আধার নম্বর পীবগী থৌদাং লৌরিবা য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই ডি এ আই) গী সী ঈ ও অজয় ভুষন পান্দেনা কোর্টতা হায়খি মদুদি বাইওমেট্রিক য়াওনা সেভ তৌখ্রবা দেটা পূন্নমক কনাগুম্বা মীওই অমনা লোন্না খঙদোক্লবা হোৎনবদা চহী বিলিয়ন কয়ামরুম চঙগনি। পীটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট কে ভি বিশ্বনাথনা কোর্টতা হায়খি, আধার অমদি তোঙান তোঙানবা ৱেলফেয়র স্কীমশিং লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতম শাংদোকহনবা তঙাইফদে।

# জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রাজোরিদা খূৎ থোক্লবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট ৪ হাৎখ্রে

জম্মু, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী রাজোরি ডিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা সুন্দরবানি এরিয়াদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট ৪ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিং অদু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পাকিস্তান লোমদগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) লাম্থোক্তুনা ইন্দিয়াদা লোন্না চঙলকখিবনি।

খূৎলায় পায়বা টেররিষ্ট খরা ঙমখৈ লানশিল্লকখ্রে হায়বা পাউ ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈবা মফমশিংদা পাক-শন্না থিব-হুম্বগী থবক চথদুনা লাকখি। ওথোরিটিশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী ওপরেসনদা খুদোংচানবগীদমক সুন্দরবানি টেহসিল মনুং চন্না লৈবা মহৈতম্ফম লোয়শঙ পূন্নমক থোঙ লোনশিন্নবা খঙহনখি।

থিব-হুম্বগী থবক চথবদা নাকল অনী খূৎ থোক্লরকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট মরি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি হায়না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ডিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এস পি বাইদনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। সিক্যুরিটিগী মায়কৈদা অশোক-অপন অমত্তা য়াওখিদে হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি রাজিব গোবানা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। নুমিৎ নীনি চুপ্না ষ্টেট অসিদা ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফিভম য়েংশিল্লন্নবা মতুংদা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরিনা ঙসি দিল্লি মায়কৈ পাংখি। হোম মিনিষ্টরনা শ্রীনগরদা চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিগা উনদুনা ঙাইহাক ৱারী শানরল্লগা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী প্লেন তোংদুনা দিল্লি মায়কৈ পাংখি।

মহাক্লা ষ্টেট অসিদা লৈরিঙৈদা খা থংবা পুলৱামা ডিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) কী লেথপোরা কেম্পতা চৎতুনা ফিভম য়েংশিনখি। হোম সেক্রেটরিগী খোঙচৎ অদুদা ষ্টেটকী পুলিস চীফ অমদি সী আর পি এফকী ডিরেক্টর জেনরেলসু লোয়নখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা হোম সেক্রেটরিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা শ্রীনগরদা অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটিগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা ষ্টেট পুলিস, আর্মি, পেরা মিলিটরি ফোর্স লোয়ননা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিং শরুক য়াখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পায়খৎলিবা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাংশিংসু হোম সেক্রেটরি গোবানা য়েংশিল্লমখি।



চৈরকসিদা পাকিস্তাননা সীজ ফায়র থুগায়দুনা পুঞ্চ ডিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনী ঙমখৈদা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখ্রে হায়রি। ডিফেন্সকী ওফিসল অমনা হায়খি, পুঞ্চ ডিষ্ট্রিক্টকী এল ও সী মনাক নক্লা লৈবা খারি কর্মারা এরিয়াদা পাকিস্তান আর্মিনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। পুংখায় অমরোম নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রবা মতুংদা ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনসু খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপশিনখি।

মার্চ ১৮ দসু পাকিস্তাননা পুঞ্চ ডিষ্ট্রিক্টকী বালাকোট সেক্টরদা সীজ ফায়র থুগায়দুনা মোর্টার সেল কাপশিল্লকপদা ইমুং অমগী মীওই মঙা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অনী অশোক-অপন নংখি। মার্চ ৭ তসু পাকিস্তানগী লান্মীশিংনা রাজোরি ডিষ্ট্রিক্টকী এল ও সী মনাক নক্লা লৈবা সুন্দরবানিদা মোর্টার সেল কাপশিল্লকখি। অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা পাকিস্তাননা মোর্টার সেল অমসুং নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপশিল্লকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনসু খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপশিনখি।

অখনুর সেক্টরগী কেরি অমদি খোর এরিয়াদসু পাকিস্তাননা সীজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। চহী অসিগী মনুংদা পাকিস্তাননা সীজ ফায়র থুগায়দুনা এল ও সী অমসুং ইন্টরনেসনল বোর্দরদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা সিক্যুরিটি পর্সনেল ১২ য়াওনা মীওই ২১ শিখ্রে। অতোপ্পা মীওই ৮০ রোম্না অশোক-অপন নংবা লৈখ্রে। পাকিস্তাননা মতম খরগী মমাঙদগী সীজ ফায়র থুগায়দুনা ঙমখৈদা তোয়না নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ইন্দিয়ানসু খূৎ হন্দুনা নাকল অনী নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক কয়া থোকপা লৈখ্রবনি।